# মায় পাক্লবা মী - খন্দোক্কনি করম্না?

- এস ইন্দ্রকুমার -



মায় পাক্লবা মী- সক্সেসফুল পর্সন- হায়বসি, কনাবু/করম্না মীবু কৌগদগে? হায়বসি মণিপুরদদি য়াম্না কুপ্পা নৈননীংঙাই, খন্নানীংঙাই ওইরি। মরমদি, পুম্নমক্না য়ানবা, মহাক মায় পাক্লবা মী অমনি হায়না পুথোকপা য়াবা মীশক অমত্তা লৈতেরি। মেট্রিক পরিক্ষাদা/সিনিয়র সেকেন্দরি এগজামদা মকোক ওইরকপা নহাশিংদু পরিক্ষাদুগীদি তোপ্পরনি, অদুবু, পুন্সিদা মায় পাক্লবা মীশক অমনি হায়রকদবা য়াখিরোই। অসুম্না, ওল ইন্দিয়া সিভিল সর্ভিসেস এগজামদা মায় পাক্লবা মীশিংদু সক্সেসফুল পিপলশিংগী মনুং চল্লক্লেদি হায়বসু, আই এ এস তোপ্পর অমদি অফবা সিভিল সর্ভেন্টশিং-মালেমগী/নেশনলগী থাক্তা মায় পাক্লবা মী ওইনা শীংথানবদা কৈদৌঙৈদা য়াওরক্তে। মীয়ামসিগী ৱাখলদা - মায় পাক্লবা মী হায়বসি মরলনা চীংগুম পৈরবা, মহাক্না মরম ওইদুনা মীওই কয়া হিংহল্লবা, মশামক্কী হৌরকফমদি খুমীং-খৃদাংগী ওইরকপা, মশামক্কী হোৎনজমল'না মশাগী লাইবক শেমজরকপা মখোয়শিংদু ওইগল্লি। মপা-মপু হাক্তকই মরলনা কৈরাক থারকপা, মপাগী মরলনা মিল্লিনিয়র ওইরকপশিং - কনানসু শীংথানদে। স্বাইদগী ইনাক খুনবা ইন্দিয়দা খনগৎপদা য়াওরিবা, মুকেশ অমদি অনিল অম্বানি - মায় পাকপা মীথোয়বা খরা খনগৎপদা য়াওদ্রবা মখোয়গী মপা ইবুংঙো ধিরুভাই অম্বানিগী মমিংদি কাউগমদনা শোয়রিবা করিগী? জমসেতজি-টাটা'না 'টাটা' হায়বা মিং অসি ইন্দিয়ন খুদিংমক্কী মচীন্দা পকপা মিং অমা ওইহনগনি ৱাশকখিবদুগুম ধিরুভাইনসু ৱাশকখি - 'সারে ভারত কো মৈঁ রখ লুঙ্গা মেরি মুঠি মেঁ' (ইন্দিয়া পুম্নবু ঐগী খুবাক্কুমগী থমগনি), মতমদুদা মমিং চৎপা ক্রাইম-দিটেক্টিব-নোভেল অমা ওইরমগনি, 'জেমস হেদলি চেজ' গী 'দ ৱর্ল্ড ইন মাই পোকেট' হায়বদুগী ক্লু লৌরগা। মহাকথক্তা ঙমখিদ্রবসু মচা হাক্তকদি মাগী ৱাহৈ চুক্লকখি-মীয়াম্না শেম্না গভর্নমেন্ট অসি মাগী মচা অনীগী খুবাক্কুমদা লৈরবগা পাঙ্ক্লি।

মণিপুরদসু অদুগুম্না নুপা অমা লৈ। হৌখিবা চহী মঙা-তরাসিদা পানখিবা লৈঙাক অমদি অসি পাল্লিবা লৈঙাকসিগী শেমগৎ-শাগৎ-শেমজিন-শাজিনবগী থবক পুম্নমক মহাক লৈরমদ্রবদি ওইথোক্তবা অমা ওইরমগদবা। মমিংদুদি ইখুৎসিনা ইহনবিরনু। অদোম্না খনবীরবিদু শোয়দনা ওইরক্লগদবনি। মীওই লিশীং (নৎত্রগসু) চা কয়াগী ইমুং-মনুংগী হিংনবই পাম্বে পীবিবা, মণিপুর কৌবা লমসিদদি মহাক নত্তবা অতোপ্পা অমা লৈরম্লোই। পোলিটিসিয়নশিংগী মরক্তসু, মাগী-মাগী এসেম্বলি কন্সটিটুএন্সিগী মীয়াম্না, চহী মঙা-মঙাগী টর্ম অদু অহুম মরি মঙারক হঞ্জিন-হঞ্জিন থাগৎলক্তুনা মায়-পাক্লা-ক্রোরপতি ওইহল্লবা পোলিটিসিয়ন ফনা য়াম্না পুথোকপ্লে। টর্ম অনী-অহুমক চীফ মিনিস্টর ওইনবসু য়াওখরে। অদুবু, মখোয় কনানসু মীয়াম পুম্নবা য়ানবা, কাউগমদনা শোয়নবা মীশক অমদি ওইরক্তে। মসি করি মরমগীনো? নৈনরুবা কান্ননি। মায় পাকপা হায়বসি, মীশক্তুনা ক্রোরপতি/মিল্লিয়ন্নিয়র ওইরকপদুখক নত্তে। মশাগী লাইবক্কী ময়িদু মশানা ইজরকপদা তৌরম্বা থবক ময়াম অদুসু মরূনি।

'মায় পাকপা' হায়রগা কনাবু করম্না কোনশিন্দুনা নৈনগদগে? মদুসু অরুবা অমনি। মশীং লাকঙমদ্রবা মীওইনি 'মায়-পাক্লবা-মী' গী কাখল মনুংদা চনশিন্দুনা থল্লিবা। কনাবু খন্দোক্লগা, কনাবু লৌখৎলুগনি - পীক্লবা পাউচে অমগী কাখল অমদা? ই'দি কন্না ইনীংলকই - মায়থীবা/মীখা পোনবই ৱাখল নত্তনা মায় পাকপা/মীকোক থোংবই ৱাখল পোকউ য়াদ্রবা লমদমসিগী মীয়ামসিদা। হায়নৈদনা, 'কনাগুম্বা অমনা খল্লিবা ৱাখলদুগী মখা পোন্না মশাগী লাইবক শেন্নকই'। ঙসিনা অমা, হয়েংনা অমা, হৌজিক্না অমা, হোরেন্না অমা, হোংদোক হোংজিন নাইবা ৱাখলদুদি য়াদবা। লেঙদবা/হোংবা নাইদবা/চপ য়ুংবা পূক্লিং অমনা লমজিংবা ৱাখল ওইবা তাবা।

অদুবু, জেনরেল ওইনা, মায় পাক্লবা মী অমগী মশক লেপ্পদা ঙসি-য়ুনিভর্সেল্লি য়েংনরিবসি মীৎয়েং মখল মরিদনি -

- লল্লোন ইতিক অমদি শেল-থুমগী লম্‌দা মায় পাকপা।
- করিগুম্বা হীরম অমদা/মশানা পামজবা হীরমদা থোইদোক হেন্দোকপা মীথোয়বা অমা ওইরকপা - খুদম ওইনা, সাইন্স, স্পোর্টস, আর্ট অমদি কলচরগী লম্ অমদা।
- পোলিটিসিয়ন অমা ওইনা, পোলিটিকেল সক্সেস ফংলবা।
- অতোপ্পগী ফীদম ওইরকপা অমদি অতোপ্পা মীওই কয়াবু পূক্লিং ইথিল পীবা ঙম্বা।

ময়ামগী মিং খনগৎপদা, মাইক্রোসোফকী ফাউন্দর বিল গেটস, গুগলগী কো-ফাউন্দরশিং লেরি পেজ অমদি সর্জি ব্রিন, এপল কম্প্যুটরগী মতেংদগী আই পোদ, আই-পেদ, আই-মেকনচিংবা অওনবা পুরকখিবা, উচি অমবু মালেমগী এন্টরটেইনমেন্ট ইন্দস্ট্রিগী মরু ওইবা ক্যারেক্টর ওইহল্লম্বা ৱাল্ট-দিসনি, ফোর্দ মোটোর কম্পনিগী হেনরিফোর্দ, ঙসিগীনা ইলোন মস্ক-কনানসু হুন্দোক্লরম্লরোইদবা মিং ঙাক্তনি। মখোয়গী ৱা খল্লুবদা নীংশিংদবা ঙমদে ইনফোসিসকী কো-ফাউন্দরশিং-নরায়ন মুর্তি অমদি নন্দন নিলকেনি! লন্দন নিলকেনি - ২০১৪ পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনদা মীরেপ ওইখিবা কেন্দিদেটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ইনাক খুনবনি। অনৌবা ইন্দিয়া অমগী মঙ লল্লোনবা পোলিটিসিয়নশিংগী মঙগী হৌফম ওইরিবা আধার কার্দ-মাগী ৱাখলগী পোথোক্লি।

'হেরি পোট্টর' - খ্বাইদগী মায় পাকপা হোল্লিৱুদ ফিল্ম সেরিজ অদুগী অইবী 'জে কে রোলিং' - ইচম চম্বা লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ী অমখক ওইরম্বদগী 'হেরি পোট্টর' সেরিজগী লাইরিকশিং অদুনা বিল্লিয়ন্নিয়র ওইহনখি। মাগী লাইরিকশিং মিল্লিয়ন ৪০০গী মথক্তা য়োন্দুনা মালেমদা রেকোর্দ থল্লিবীনি। জে আর আর তোকিঅন, 'লোর্দ ওফ দ রিংস' কী বৃটিশ-অইবা অসিসু কুনশুবা চহীচাগী খনগৎলবা মমিং চৎলবা, মিল্লিয়ন্নিয়র রাইটরশিংগী মরক্তা অমনি। ঙসিমক হিংলিবা, ফেনোমেনন অমা ওইরিবা অইবা খরা খনগৎপদা অমেরিকাগী ষ্টেফেন কিং, ইন্দিয়াগী চেটন ভগৎ অমদি অমিস ত্রিপাথিগী মমিং, করম্না হুন্দোক্লমগনি?

জোন লেন্নন, মাইকেল জেক্সন, মদোন্না - শৈশকপশিংগী মরক্তা তোমথিন ওইবা শক্তমশিংনি, মায় পাকপই কৈরাক্তা পন্দোল লোম্না কাখিবা। মখোয়শিংদুই মরক্তা বোল্লিৱুদকী 'এ আর রেহমান' হুন্দোকপা য়ারক্ত্রিবনি। অলফ্রেদ হিটচকোক, জোর্জ লুকাস, ষ্টেফেন স্পেইলবর্গ-মাষ্টর ফিল্ম মেকর ওইরম্বতা নত্তনা মরল লৈবা ফিল্ম প্রদ্যুসরশিংসু ওই'ঙমখি। অদুবু, বর্গমেন-আইজেনষ্টাইন-কুরোসোৱা-সত্যজিৎ'কুম্বা মরল-হাক্না পৈরমদ্র'সু মায় পাকপই কৈরাক্তুদি পন্দোল-লোম্না কারমখিবা ফিল্ম-দিরেক্টর কয়া অমসু লৈ, লৈরি, লৈরকখিনি।

মায় পাকপ'ই ৱারী শারকপদা কেলিফোর্নিয়াগী রিচার্দ অমদি মৌরিস মেকদোনাল্ড অনীগী মমিং পন্দনা করম তোক্কনি! ১৯৪০দা কেলিফোর্নিয়াগী ষ্ট্রিট অমদা অচা অথক য়োল্লম্বা, অনৌবা মওংগী পোৎয়োন অমা পুথোকপদা ঙাওজখিবা মচিন-মনাও অনীনা ১৯৪৮দা 'মেকদোনাল্ডস' হায়না মিংথোনবা রেষ্টুরেন্টশিং চেইন অমা শেল্লগা, মমিং শান্‌বগী অশান'মল (পর্সেন্টেজ) লৌবগী চৎনবী হৌদোকখিবদুনা অতোপ্পা বিজিনেস কয়াগী লম্বী ফাৎখিবা-ৱারীনরি ঙসিসু। কে এফ সীগী কর্নেল সেন্দর্স, কাউথোক্লুনি করম্না!

চুজাক কবোক য়োনবা অমেরিকান 'ওর্ভিল রেদনবেচর'না মহাক্কী 'রেদ বো' (অঙাংবা লীরুং) মিংথোনবা 'পোপকোর্ন' - ইন্টরনেশনল ব্রান্দ করম' ওইহল্লকখিবা, শাংলবা ৱারী অমনি। ৱারীদুনি - মায় পাকপ'ই ৱারী হায়বদো। কার চাম্বা য়াওরগা, ইন্স্যুরেন্স এজেন্ট ওইরগা হিংনবই লম্বী থিরম্বা 'শিব খেরা' - ইন্টরনেশনল মোটিভেটর ওইদুনা, মাগী ৱাহৈ খরদুখক তানবা দোল্লর লিশীং কয়া পাম্মুবা খঙদা তিংথোরক্কনি-থাজরম্বগে কনানা? রেলৱে ষ্টেশন'দা চা য়োল্লম্বা নুপা অমনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা, মালেমগী শক্তি লৈবা মী তরাগী মনুং চল্লক্কনি, ইমুং মনুং মরী-মতা পুম্নমক তুংওইনদুনা লৈপাক্কী মী ওইরক্কনি - খল্লুদবনি কনামত্তনা।

অসুম্না, লাইবক মথক মখা ওন্থোকখিবা, মায় পাকখিবা মীশকশিংগী মনুংদা, ঐনা কাউঙমদবা মীশক অমগা লৈ। মহাক অদুদি - মীগী মফি মরোল শূরগা, কোনয়াই (ইষ্ট্রি) তক্তুনা মতু-মচা থাক্লম্বা নুপা অমনা 'অইবা' (রাইটর) অমা ওইনীংলকখিবগী ৱারীনি। থবক ৱানা শূরুরগা অথেঙবা অহিং কয়াদা থৱায় হকচাং লূপ্তুনা ইখি থম্মোয় শোক্লবা, অৱা-নুংঙাই, অকি-অখং য়ান্নবা ৱারী কয়া। পব্লিশর কয়াদা ফোঙবীনবা থারুবা, অমগী মথংদা অমা মথং-মথং রিজেক্ট তৌরকখি। আশাগী ময়োল কংলকখি। 'ঐ অমুক হন্না, অইবা ওইগে খল্লরোই' - মাগী নুপীদা হায়রম্লগা ইকোন কোন্না ইবা উপন্যাস'তু অমোৎ অকায় মরক্তা লংথোকখি। 'অসুক শাংবা লম্বী অমা লাক্লগা পম্ভুং য়ৌরমদাইসিদা করিগী তোক্কদৌরিবনো'... মাগী নুপীনা লাইরিক অদু খূনগৎলগা 'বিল থোমপসন' (পব্লিশর) দা থাখি। মহাক্লুদি হায়খি 'কান্নদবা থবক্তু তৌরনু'। দোল্লর ২৫০০গী এদভান্স চ্যেক অমা 'থোমপসন পব্লিকেশন হাউজ'তগী ফংবদা, মতৈ মনাও অনীদু অমনা অমদা মীৎচি পাউখোং চন্নখি। নীংশিংবীবরা, অইবদু কনানো? লাইরিক্তুনা করম্বনো? কোপি মিল্লিয়ন মঙা হেন্না য়োনখিবা লাইরিক অদু হোরর-ক্লাসিক 'কেররি' নি, ১৯৭৪দা ফোঙখিবা। অসুম্না পোকখি অমেরিকান রাইটর 'ষ্টেফেন কিং'।

মায় পাকপা হায়বসিগীদমক নীংহন্নদবা হায়বসি খ্বাইদই মরু ওইবনি। ●

# অশৈবা ইনাওবী হুইরেম্বগী শৈরেং লাইরিক 'চন্দ্রমুখি' লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা

- তোংব্রম অমরজিৎ -



ইনাওবী হুইরেম্বা ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবা ষ্টেন্দর্দ কোলেজ রোদকী হুইরেম লৈকায়দা পোকই। কোংবা ষ্টেন্দর্দ কোলেজগী লাইব্রেরিয়ননি। ইবদা থৱায় লুপচবা অইবা অমা ওইনা প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএশন মণিপুর, মালেম অইকোল খাবম লমখাই, শৈরেংবশিংগী অপূনবা লূপ (শাল) অসিনচিংবা মণিপুরদা লৈরিবা খোরিরোলগী লূপ খরগসু খূৎশম্নদুনা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লি অমদি লেপ্তুনা শরুক য়ারি। অইবসি নেহরু যুব কেন্দ্র সঙ্গথনন্না পীবা দিষ্ট্রিক্ট যুথ এৱার্দ ২০০২ ফংখিবা লৈরে। সাহিত্যগী চেফোঙশিং অমদি খোমজিনবা শৈরেংগী লাইরিকশিংদা মহাক্কী শৈরেংশিং হাপ্তুনা লাক্লি। অইবা ইনাওবী হুইরেম্বা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী শকখঙলবা শৈরেংবা অমসুনি। ২০১৫দা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক 'পূন্সি ঈচেলদগী তামহৌরবী' অমদি শৈরেং লাইরিক 'লাইবক থিবী নম্বুল তুরেল' (শৈরেং লাইরিক) অসি ২০১৭তা হান্না ফোঙখ্রে। 'চন্দ্রমুখি' হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ৪৫ য়াওরি।

থম্মোয়দদি পেন্দবনা চাক্লি মৈরিদি থোকঙমদনা। য়ূমদাংবশিংনা লাঙ্গোই চনশিল্লক্লিবা পোক্ন ফমসিগী খনবদা ৱাজরিবশিংগী মরক্তা কবিশিং অইবশিংসু য়াওরি। ইনাওবীসু ইরকই 'ইরৈবাকসে ইমানি'। কবিনা হায়রক্লি, "ৱাকৎসে তাশিল্লি লোইবা নাইদবা/পূক্লিংগী থরুম তমথোক্তনা/নুংশুক নুংজানরবী ইরৈবাক ইমা/জাতি ধর্ম্ম লোন্দিন্নদবা/নচাশিংগী পনখৈ লানবা শরৈ/২১শুবা শদাবতিগী লাকঙম ফাঙমদ্রবা/ৱাখলগী তম্নলাইনা মীবু য়োৎশিল্লক্লি/মতমসিদা ইমা মণিপুর কপ্লবরা।/... চহী তরেৎ খুন্তাকপদা নাচুংদবী/বৃটিশনা য়োৎহ্লিং থাংদুনা চীংবদা শিরক্ত্রবী... অকাউ পরৈনরুরবা নচাশিংসু/ইমা ইমা থিরক্লনি ইমা মণিপুর" (লা: ১২) পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা ইমা মণিপুর অৱাবা কয়া মায়োক্লন্দুনা লাকখি। মচাশিংগী মরক্তা লিংজেল মান্নদবনা য়েক্লবনা খুদোংচাবা লৌখি। মীখা পোনখি। ঙসিনা কমদৌরি পুৱারীনা লৌশিং ওইদুনা লাল্লোং নিংথিজনা য়াৎপা য়াবসু কাঙলূপ মশেল মরক্তা শিংচেপ থাজিন্নবনা মরম ওইদুনা খুরৌ থাংলি। অশোয়বদি খঙনরক্লে তপ্না-তপ্না অদুনা ইমাবু ঙসিদি খোঙ্গুল লীরক্লি পোক্লফম ইমাগী মপারি মমোমশিংনা।

'চাইখাইরবা খোঞ্জেল' দা উরক্লি শক্তম অমা মণিপুরগী। অপূনবগী খোঞ্জেলদি নত্তে। চাইখাইরবা খোঞ্জেল অসি নুংশিনবগী, তেংবাংনবগী খোঞ্জেল, খুল্লংগী খোঞ্জেলদি নত্তে। মসি হিগায়ৱানি, শিংচেপৱানি। অদুনা কবিনা হায়রক্লি, 'খোঞ্জেল মহুম শারি লৈচিলদা/অতিয়াদগী নাম্বরক্তুনা নাকোং মনুংদা চংখি... খোঞ্জেলগী য়ূম লিংলবা ইরানইয়াই/কায়থরক্লি সনা শঙ্গাই/মতমগী য়ুহার হারকপা খুদিং/অঙম তান্নরিবা রাজনিতিগী খোল্লাউ/অচুম্ববু লৈরোল চল্লি ৱাহৈগী ৱাহৈনা/মমশিল্লক্লি মৈখুনা খুল্লক-লৈরক/য়েক্লবগী মহুম শারে মায়কৈ মরি...' (লা: ১৯) চিন্থিবনা অচুম্বা শক্লবা, অকনবনা অশোনববু তুহৎলবা, খুন্নাইগী য়েক্লবা লুচিংবা ফমথোল কাদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈ লেপ্লকপা মতম, ৱায়েল কাটিসু মথৌ পাঙথোকপা ঙমদ্রবা অসিগুম্বা ফীভম অমা মায়োক্লরবা ইরমদমসিদা কবিনা শীজিন্নরিবা ইমেজরি অমদি পীনিংলিবা পাউজেল অসি চংখোল্লি, ফজৈ হায়দবা ঙমদে। মীনম্বা, ওইদবা ৱাশক অমদি অরানবনা অচুম্বা শাদুনা খুঙ্গং-সহর হায়বা থিদনা শন্দোক্লিবা ময়েক শেংদ্রবা শক্তম অমদি তুংলমচৎকী আশা হায়বদু উহনবা ঙমদ্রবা ঙসিগী রাজ নিতি অসিগী খল্লুবদা লৈতাদে কবি ইনাওবীসু।




লাইরিক্কী মমিং :- **চন্দ্রমুখি**
অইবা :- **ইনাওবী হুইরেম্বা**
অফোঙবা :- **মালেম অইকোল, খাবম লমখাই**
লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**
লাইরিক্কী মমল :- **লুপা ১৯০/-**
লমায় মশিং :- **১৮৬ (মীতৈ ময়েক য়াওরগা)**

লাইরিক অসিগী মিংথোল ওইরিবা 'চন্দ্রমুখি' শৈরেংসি মতমসিগী নুপী অমদি খুন্নাই অসিনা থেংনরিবা হৌজিক হৌজিক মায়োক্লরিবা য়াম্না লুরবা অনাবা মখল অমনি কবিনা ইরক্লিবসি। ফনা য়াম্না পাম্বৈ লৈত্রবসু খুন্নাই অসিগী নুপীশিংনা মাংলমচৎতা মশাগী ইকায়খুম্নবা খক মতিক্লরমদে। খুন্নাইবু কিনা, লুনা খল্লন্মী। নুপীনা মপুরোইববু ঈশ্বরগুম্না ইকায়খুম্নরম্মী। অনাবা মপুরোইববু খক মীরাইরমদে। ঙসিনা কমদৌরি, মাগী নুপা লৈনা লৈনা লমচৎ কোম্বা অমদি অৱাবা থবক্তি শুনীংদনা কোম্না, লায়না শেল য়াম্না তান্নিংবা, অচাওরম কাবা, শাদোং লল্লোনবা মীগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। মসি অফবা খুদমদি নত্তে। অদুনা কবিনা ইরক্লি 'মায়থোঙ ওল্লে চন্দ্রমুখি নৌত্রিক নৌরে/পর্ফিয়্যুম পাউদর আইব্রো লিপষ্টিক/...নুংশিবা য়েল্লি কা খুদিং/অপাম্বা ঙাক্তনি শিৎতবা লৈতে/তরাম্না ওকই চন্দ্রমুখি লাকপদা... দেল্লী, কোলকটা, মুম্বাইগী পাখঙ/চন্দ্রমুখি য়েংবা লাকই...' 'ফমুংদা পেরলাইসিসনা নারি মপুরোইবা' মসিদা পেঞ্জদ্রবা চন্দ্রমুখিগী মপুরোইবনা শক্তম অমদি লমচৎ ওল্লক্লিবা মাগী নুপীদা হায়হল্লক্লি, "মীৎসে নারেদা, নাকোংসে মেনশিন্নীংঙে/লাই ইবুংঙো ঐদা হাৎতোকপীরো" (লা: ২১) সোশল ইস্যু অমা ওইরক্লিবা ফীভম্নি শৈরেং অসিনা ফোঙদোক্লিবসি। থবক শুনীংঙাই চৎনীংঙাই ইরৈমক লৈতবদি নত্তে। অচাওরম কানা হিংনীংবা, কোম্না নুংঙাইনা শেল তান্নীংবা য়ূম পুবী মশীং হেনগৎলক্লিবসি খুন্নাই অসিগী শেন্মীৎলোন অমদি য়ূম্বাল্লোন অসি শাথীনা ফীভম শোক্লে হায়বদু মিংথোল ওইরিবা কবি ইনাওবীগী শৈরেং অসিনা ফনা নীংথিজনা ফোঙদোক্লি।

য়াম্না তেনবা অমদি ৱাহন্থোক য়াম্না ৈ লবা ফজবা শৈরেংশিংগী মরক্তা 'শিবা ঙাইরি' হায়বসিসু অপাবশিংনা হন্না হন্না পাহন্নীংই। কবিনা ইরক্লিবা শৈরেং খূৎইসি পাদুনা য়েংবীয়ু। "মপূন্সি চূপ্পা/ফাদোক তারবা লাইরেন অমা/শায়োকশঙগী শারং মনুংদা/শিবা ঙাইরি।/লাইরেনগী চাকথাক ওইরবা/য়েন্নাও অমদুসু শিবা ঙাইরি।/শিবা ঙাইরিবশিং য়েংনা য়েংনা/মীওইবনা শিবা ঙাইরি।" (লা: ২৮) ঐখোয় মীওইবা হায়বসে অশিবা মচানি হায়না নীংশিংহনবনি। অফবা কর্ম্ম তৌনবা অমদি মী ওইনা পোক্লবদি অফবা অমদি অচুম্বনা করিনো, অরানবনা করিনো খঙনবা হোৎনহন্নীংই।

মণিপুরগী সোসিও পোলিটিকেলগী ফীভম অসি কয়া ফত্তনা অদুম লাকখ্রে। চহী অমত্তা ঈংনা, নে তানা লৈবা ফংজদে। অমা নৎত্রগা অমা থৌদোক ৱাথোক্লা লৈবাক মরা তপ্না পানবা ইঙম ঙমজদে। ফীভম অসি অসুম উশিল্লুবা খঞ্জিল্লুবদা করম্নদি নুংঙাইগনি। অদুবু আশাদি থাদোকপা য়াদে। অসিগুম্বা আশা অদুগী মরক্তা য়াওরকপা শৈরেংনি 'লাকখিনি ইমাবু নুংশিবা নুমিৎ' তৌইগুম্বসুং হৌজিক উরিবা মণিপুরসিদি পুম্নমক তায়োন্নরি। লম্মুক্লরি মীয়ামসু। "অঙাং ময়াম মথা শারি/তৌফম খঙদনা!/গধাশিংনা খোঙই অয়ূক নুংথিল নুমিদাং/মথৌসু মথৌ নত্তবসু/হূইনা তূন্লি য়েংনীংদদুনা।/ওফিসকী কানুংদা মীফম ফল্লগা/খুঙ্গংদা থবক্কী মমিং শন্দোরকই/লায়রবা তোল্লবা লৌমী শিন্মীশিংগী/মমায়দা শেনজোই চাইশিল্লি/ইন্ন-ইন্নদুনা খুন্নৈ হায়নৈ ফখরেদা।/মায়খুম উপ্পা হুরানবশিং নোকই।/ইমা নচাশিংগী পুকচেলসে/গর্ভনুংদগী য়াওরক্লবরা...।/মীওই হুম্ফুনা ওৎপদা খাঙবা ঙমদদুনা/মোংফম মনাক্তা/মরৈবাক নীংবা নুপা অমনা লাউরকই/নরৈবাক নুংশিবা ফাওদ্রবরা? চপ লেপ্পী,/লাকখিনি ইমাবু নুংশিবা নুমিৎ" (লা: ৩২) মসিদা শৈরেং লোইশিল্লি। হায়নীংলিবদি ঐখোয় ময়েক অমা শেংনা ৱাবগী পনখৈ য়ৌদ্রি। ঐখোয় পোক্লফম ইমাবু নুংশিবসু মশক নীংথিজনা খঙদবগুম তৌরি। অদুবু মতম অদুদি লাক্লনি হায়না পোইটিক ভিজন অমা থল্লি কবিনা।

কবি ইনাওবীনা ইবা অমদি পাবা শৈরেংদা মীওইবগী লমচৎ, খুন্নাইগী শক্তম অমদি মহৌশাগী কায়থরক্লিবা শক্তমশিংবু কূপ্না য়েংদুনা ইবা থিমদা ফোকস পীবা শৈরেং কয়া য়াওরি। শৈরেং শৈদিন্নবা মফমদা কবি ইনাওবীনা শৈরেং পাবদা তানীংবা, নুংঙাইবা কয়া থেংনখ্রে। লাইরিক অসিদসু অদুগুম্বা শৈরেং থেংনবীগনি। ময়ামসু পাবীয়ু। ●

# লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দা ৩শুবা কালেন আর্ট এগজিবিশন ২০২৫ # ১৪

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

লোক্তাক লাইরেন্বীগী লৈফমগী মতাংদা লোক্তাক ইশা মাপল হায়রিবা লাইরিক্তা অসুম্না পল্লি- লোক্তাক মশা মনুংদা অরুবা লাইফম, প্রুকশৌবী অহুম লৈ। অহানবা প্রুকশৌবীদি কারাং অমসুং থাঙ্গ অনীগী মরক্তা লৈ। অনীশুবা প্রুকশৌবীদি সেন্দ্রা চীংগী অৱাং নোংচুপ্তা লৈ। অহুমশুবা প্রুকশৌবীদি লোক্তাক ইয়াই চীঙ্খৈ পাংবদা লৈ। পুরুকশৌবী অহুমসিগী মনুংদা অনীশুবা প্রুকশৌবী অসি লাংবনগী মতমদা লাইজ ইফেল লাংবদা নোংপোক নিংথৌ পাঙ্গলবনা লৈহুৎ (শুরুং) অমা শেল্লে, হান্নগী মতৌ মান্দে হায়দুনা মমিং 'শাওরৈ হুৎ' কৌরে। থৌদু নুঙপাক্লা ফুল্লে, অরুবা লাইফমনি, মফম অসিদা লাই ওক্লরবদি হিংদে, শীংনবা য়াদে, ইয়াং চঙবা য়াদে, লানবসু ঙমদে, মাবু ওক্লবা, থেংনবগী মওংদি মথক মখা ওনবা ফুম ওইনা মচি পানবা ঙা ওইনা, উপ্না লৈবা হী ওইনা, চফুগী মতৌগুম তাওই। তৌগেদা ঙম্মী, ওন্নীংবা ঙম্মী, মসিগী নোংপোক পাংনা চৎলগা 'তে খনবা' মফম লেঙদবা ফুম অমা লৈ, মদু লোক্তাক লৈমগী য়ূম্ফমনি। মওংদি মীগী মতৌগুম থৌদু নুঙ ওইনা লৈ। মকোক মচু ওল্লি, শাওরবদি মুই, হরাওরবদি মচু লাংই, চরৈ হোংলবদি হরাওই, নীংজবদা পীনবী, শাওরবদি অৱাবা নংই। মমায় নোংপোক ওল্লি। মাগী মনীংদা ইয়াং অমা লৈ মদু থেংনরবদি হিংদে। ইয়াং অদু খুমননি, তেরা উনা শাবনি, তাওরোইনাইনে মাবু থেংনরবদি উশিন তৌরগা হিংই। খুদক অদুদা থৱায় পানবা জীব অমা উরবদি মঙোন্দা থৈজিল্লো অদুম্না তৌরবদি ফৈ নৎত্রবদি শিয়ে। মাগী খা-নোংপোক পাংবদা ইয়াঙ অমগা লৈ, মঙাং গুরুনে মাদি মতম অয়াম্বদা তাংজ ওইনা লৈ। সনা অহিংবা মচুনে। অমুক হেক্তা মচু ওল্লি। মাবু থেংনরবদি নুংঙাই-য়াইফে নৎত্রগা লাইচুইয়ে।

লোক্তাক হায়বা ৱাহৈসি 'লোক' অমসুং 'তাক' হায়বা ৱাহৈ অনীনা পুনশিল্লগা 'লোক্তাক' হায়বা ৱাহৈ অসি ওই। ৱাহৈগী ৱাহন্থোক্লোমদা য়েংলদি মণিপুরগী মরু ওইবা চীংদগী চেন্থরক্তুনা তু-খোংশিংনা ঈপাক ওইরিবা লোক্তাকতা তারগা মখোয়গী ঈচেল অদু মাঙখি-তাকখি। মরু ওইবা লোকশিংগী ঈচেলশিংদু মাঙখি, ইতাক-তাকখিবা মফমনি হায়দুনা লোক্তাক কৌনখি হায়না থাজবা স্কোলর কয়াগী ৱাখল্লোন ফোঙদোকপসু থেংনৈ। মসি নত্তবা লোক্তাক কৌখিবগী ফুঙ্গা ৱারীগী (mythological folktale) মশক কয়ামরুমসু লৈরি। অসুম্না লোক্তাক থোনখিবগী ৱারী কয়ামরুম লৈ। অহানবদা : হয়িঙৈদা থাংজিং কোইরেল লাইগী খুভম ওইরিবা চীংজাওদা 'চা' কৌবা মীশা চাবা পাঙ্গলবা হিংচাবা কাঙবু অমা লৈরম্মী। লাইয়ামগা লান্থেংনবদা লাইয়াম্নসু ঙমদ্রে, হিংচাবনসু ঙমদ্রে মরম অসিনা লাইয়াম্না খন্নরবা তুংদা চীংঙু থাংজিংনা কোইরেল কৌবা খূৎলায় পুথোক্তুনা হিংচাবা নিংথৌগী মঙক ককথৎলে। লাইয়াম্না হিংবশিংবু অমত্তা খাক্তনা মথ্বায় লোক ঈ তাক্লা হাৎলে হায়দুনা মফম অদুবু লোক ঈদগী লোক হায়বা ৱাহৈসি লৌরগা তাক্লা হায়বা ৱাহৈদগী তাক হায়বসি লৌরগা 'লোকতাক' হায়না কৌনখি। অনীশুবদা : থায়না মমাঙঙৈদা তিঙম অশাংবা অমসুং লাই অতেনবা কৌবা হিংচাবা অনীখক লৈরম্মী। মখোয়না লাইয়াম্না নুংঙাই য়াইফনা পানববু কল্লক্তুনা লাইশিংগী মথক্তা লান্দারে। লানফম অদুদা হিংচাবা অনীদো শোক্তুনা ঈনা লৈবাক্তা তারগা ঈ শিংদুদগী হিংচাবা কয়া-কয়া থোরক্লে, হিংচাবা অনীবু হাৎপা ঙমদ্রবদা তাইবঙ মপুনা ঈশিংদা পুথদুনা লান্থেংনরো তাকপীবা তুংইন্না লাইয়াম্না হিংচাবা অনীবু ঈশিংদা পুথদুনা লান্থেংনরে। থাংজিংগী থাঙলেননা হিংচাবা অনীগী মকোক ককথৎলে। হিংচাবা অনীগী ঈনা ঈশিংদা তাবদা অতৈ ওনবা ঙমদ্রদুনা শিরে। অসুম্না হিংচাবা অনী হাৎখি, তাকখিবা মফমনি হায়দুনা 'লোক্তাক' হায়না খঙনখি। অহুমশুবদা : চীংগী লোকতগী চেন্থরকপা লাইজনা তুরেল তম্না চেন্থরক্লগা মোইরাং তুরেল, ইরুম্বী তুরেল, লমঙানবী তুরেল, ন'াওরিখোং, হেন্তাক খোং, নরাখোং, থোংজাওরোক, নম্বোল তুরেল, নম্বুল তুরেলনচিংবা তু-খোং ময়াম্না মখোয়গী ঈচেলশিং অসি ঈশিংগী অপাকপা ঈপাক ওইরিবা লোক্তাকতা তাই হায়বগী লোকতগী তারকপা 'লোকতা' নৎত্রগা 'লোকতাই' হায়না কৌনরম্মী। মমৈথংদা মখোয়গী ঈচেলশিং অসি ঈপাক অসিদা তারগা মাঙখি-তাকখি হায়দুনা 'লোক্তাক' হায়না কৌনখি। মরিশুবদা : লেন্তাক, সনা ইপাক, থাংজিং কোম, নুঙোম, নুংজেংকোম, লৈমখোং, তাকসিকোন, ঙাক্রা কোম অমসুং লাইশোই হায়রিবা মফম মাপল অসিগী ঈশিং চেনশিল্লক্তুনা তাখিবা মফমনি হায়দুনা 'লোক্তাক' হায়না কৌনখি। মঙাশুবদা : মৈতৈগী লৈশাপাম্বা থৌগাইজাম্বা অথৌবগা মোইরাংগী নিংথৌ লম্বুসু অথৌবগা লম মুন্নবগী তা চাইনবদা কেগে লাম্বুসুনা হান্না তা লংলে অদুবু লৈশাপাম্বা থৌগাইজাম্বদা পানবা ঙমদ্রে। লৈশাপাম্বা থৌগাইজাম্বনা তা লংবদদি কেগে লম্বুসুগী মফৈদা পাল্লে। লৈশাপাম্বনা নথ্বায় কনবীগে নমোম হাওজেঙ লাংমৈনুবিবু অওং অউনগা লোয়ননা মঙোন্দা থাজৌ হায়রবদা লম্বুসুনা-নঙোন্দা ইচা থাজরোই, নঙনা হাৎকে হায়রবসু হাৎলু হায়রবদা, লৈশাপাম্বনা লুরেন কক্তুনা হাৎলগা মোইরাংগী ঙা ফাবশিংদা উক্তুনা নখোয়গী লম্বুসু অথৌবদি ঈনা লোক-ই হায়না তাক্লম্মী হায়বদগী মফম অদুবু 'লোক্তাক' কৌখি। তরুকশুবদা : নোংদা লাইরেন পাখঙবনা খাবা নোংজেংবগী মখূৎতা মায়থীবা নংবদগী মোইরাংদা লাঞ্জেল্লক্তুনা থাংজিংগী মতেং লৌনবা হায়রকপদা থাংজিংদি পাখঙববু লাক্লগে খন্দুনা ঈশিং ঈপাক ঈয়াইদা লোৎতুনা লৈখ্রে। পাখঙবনা থিবদা ফংদ্রে। মাগী অৱাবা মতৌদা লাইয়াম্না থাংজিংদি ঈশিং ঈয়াইদা লোৎতুনা লৈরে হায়না তাকখিবদগী ফংখি। থাংজিংনা লোৎপগী তাকখি 'লোক্তাক' হায়বদগী থৈথরক্লগা 'লোক্তাক' কৌখি। অসুম্না লোক্তাক থোনখিবগী ৱারীশিং কয়া কয়ানি। মসিগী মতুং তারকপদা লাইওইখ্রবা অহলশিংনা খূৎই লাইরিক ওইনা থম্বীরম্বা 'লোক্তাক ইশা মাপল' গী পুৱারীসু লৈরি, অদুবু লাইলোন তীনলোন কয়া য়াওবা ওইবনা অপাবশিংদা অৱাবা মায়োক্লরগনি খঞ্জদুনা তেনশিঞ্জরগা লোক্তাক ইশা মাপলগী মতাংদা ৱারোইশিন থমজরি।


থাঙ্গগী থমঙখোংদা নৌনা শারিবা য়োৎকী থোং

অহানবা ইশা লোক্তাক মরূ : মপু মাগী নুংগী ইশা ওইরিবা সনা-চীংগী লোকসা মাপল। ইরম ৯ থোক্লা চেন্থরক্তুনা ঈপাক অসিদা তাখি। মরম অসিদগী ঈপাক অসিগী মমিং লোক্তাক হায়না কোলোইনখি। মসিনা নুংগী লোক্তাককী হৌরকফমনি। মপানগী ওইবা লোক্তাক হায়না কোলোইনরকখিবগী মরমদি ঈপাক অসিগী লৈরিবা লোইবী চীংলোন ৯গী লোকশা ৯দা ইরম মাপল চেন্থরক্তুনা ঈপাক অসিদা তারকখিবদগীনি। লোক্তাক ইমাগী লাইজ ইরোলনুংদা মপু মহাক্কী মতিক ময়াই কয়ামরুম লৈরি। লোক্তাক ইমা অসি তাইবঙগী তিন্থুং লাইথুংফমনি। তিনকোক লাইকোকফমনি। লাইজ ইরোলনুং অসিদা মপু মানা তাইবঙগী য়েনসু থম্বীরম্মে। লোক্তাক ইমাগী ইশা ৯ লৈ। অহানবা ইশাগী মমিংদি 'লোক্তাক মরূ' কৌই। হৌজিক্কী মীরোলগী খুন্নাই অসিদা 'থমঙখোং' হায়না খঙনরিবা থোইবীনা ঈল চিংখি হায়রিবা মফম অসিনি। থমঙখোং কৌখিবগী মরমদি, নহাননোং সনামহী অমসুং পাখঙবা মচিন মনাওনা মপাবুং তাইবঙ পানবা মপুবু থিরকখি। মপাবুংবু থিবা ফংলক্ত্রবদা মচিন মনাও অনীনা চীংলক অচৌবা (হৌজিক য়োৎকী থোং শারিবা মফম) অসি লান্থোক্লবা খন্নরম্মী। চীংলক্কী লাইজ ইরোলনুংদা মপাবুংগী শরেং লাইঙম্বা য়াইথোকপদু থেংনরম্মী। সনামহী, পাখঙবা মচিন মনাও অনীনা চীংলক ৱাংমদা খরা লান্থোকপীয়ু হায়না শরেং লাইঙম্বদা হায়জখি। শরেং লাইঙম্বনা পাইমনুংদা ৱাখল তৌরকখি। অঙাং নাৱা অনী অসি মাগী চীঞ্জাক ওইরগে, ঈশিং ঈয়াই য়ৌরগা য়োৎলগে খনখ্রে। শরেংনা মচিন মনাও অনীবু চিনবান্থোংগী খোইথুম্নবা ৱাহৈদা লাও-লাও লান্থোকপীরমগে হায়না মচিন মনাও অনীগী নাত্তা চঙশিল্লক্লম্মী। সনামহী পাখঙবা মচিন মনাও অনীনা শরেংগী মবুক চুমদবদু খঙনা খঙনা শরেংগী সয়াং থত্তা তোংখৎলম্মী। ঈশিং ঈয়াই য়ৌরগা শরেংনা মচিন মনাওবু য়োৎলগে হায়দুনা লাইজ ঈরোলনুংদা লুপথবা হৌরক্লম্মী। মচিন মনাও অনীনা শরেংবু হাৎলসি হায়না লেপ্পরদুনা মপাবুংগী শাদোং শরেং লাইঙম্ববু লোক্তাক মরূগী শাবলদা চিংখৎতুনা হাৎতোক্লম্মী। শরেংনা চাউ-শাংবা মরম্না থম্বদা ইমাঙ মাঙই, শরেং লাইঙম্বনা খোঙ খোঙদুনা লাউনা লাউনা শিখি হায়দুনা মফম অসিবু 'থমঙখোং' হায়না কৌখি।

শরেং অদু মচিন মনাওনা চাথোক্লম্মী। শরেং অদু চাখিবা মফম অদু 'থমঙখোং ঙাচাপুঙ' হায়না হৌজিক ফাওবা খঙনরি। চীংউ মচিন মনাওনা ঙা চাখ্রে হায়বদু মপাবুংনা খঙলদুনা মপারি অনীগী নাত্তা লাক্তুনা তৌরিবা মতৌ অসি করিনো হায়না হংখি। মচিন মনাওনা থোকখিবা থৌদোক পূম্বমক চিংখদনা মপাবুংদা হঙ্গৎচৈ। মচিন মনাও অনীনা চাখিবা ঙা অদু মপাবুংনা মাঙবা য়াবা ঙা নত্তে, শা অমগা ঙা ফারগা অমুক হন্না শেন্মু হায়না য়াথং পীরম্মী। মপাবুংগী য়াথং ইন্দুনা ঙা অদু অমুক হন্না শেল্লম্মী হায়দুনা ঙা শেন্ফম মফম অদুবু 'ঙা শেন্স্পুঙ' হায়না কৌনরি। মচিন মনাওনা শরেং ঙাবু লম তমদুনা শাখি, ঙা শাখিবা মফমদু 'ঙারম' হায়না কৌনখি।

*ৱারেং অসি ওইনবা হোৎনবদা খ্বাইরাকপম সনায়াইমগী 'লোক্তাক ইশা মাপল' হায়রিবা লাইরিকসিদগী মতেং লৌজখি। ● (মখা চথুজরকখিগনি)।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।